# ৯৫.৫% চাইনিজশিংনা থাজবা, অপেনবা ফোঙদোক্লি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

চাইনাদা মীচম মীয়ামগী মরক্তা ৯৫.৫%না মখোয়গী লৈঙাক্তা থাজবা অমদি অপেনবা ফোঙদোক্লি অদুবু য়ু এস এদদি শুপ্নগী ৩৮% খক্লা মখোয়গী লৈঙাক্তা থাজবা, অপেনবা থল্লি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসিগী চৎন-পথাপ লৈগনি খন্দুনা পংনুংদা নুংঙাইথোকপা হায়বসিসু অরানবা ৱাখল্লোন অমা ওইগনি। ঙসিগী দিজিটেল এজ অসিদা মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈঙাকলোনশিং (পোলিটিকেল সিষ্টম) অসি য়েংলুবদা মথায় থায়নদা খন্নরম্বা নোংচুপলোমগী দেমোক্রেসি চৎপনা খ্বাইদগী অফবা লৈঙাকলোননি হায়বা ৱাখল্লোন্দো ঙসিগী দিজিটেল এজ অসিদদি হেন্না চুন্ন-চান্নরক্ত্রে, চুন্নক্ত্রে, মরু ওইনা দেমোক্রেসি চৎলি হায়না চাওথোকচরিবা লৈবাকশিংদা য়েংলুবদা। হান্না পাউ ফাওদোক ফাওজিনগী লমজেলসি অদুক হাক্লা থুদ্রিঙৈ মতমদদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈঙাকপশিংনা অদুক চাওখৎপদা মতেং ওইরম্বা য়াই। অদুবু ঙসিগী দিজিটেল এজ য়াম্না থুনা পাউ ফাওদোক ফাওজিন য়ারবা মতম অসিদদি দেমোক্রেসি চৎলি হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী চাওখৎ খোঙথাং অসি অসুম অসুম তপথরক্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরক্লে।

দেমোক্রেসি লৈবা লৈবাকশিংদা চাওখৎপগী খোঙজেল তপথরকপগী খ্বাইদগী চাউবা মরম খরা হায়রগদি দেমোক্রেসিগী চৎন-পথাপশিং ইন্দুনা চৎনরক্তবা অমদি তোঙান তোঙানবা আইদিওলোজিদা য়ুম্ফম ওইবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া লৈরকপা অসিনি হায়না তমজগে। ইচম চম্বা খুদম ওইনা থমজরবদা - খ্বাইদগী চাওখৎপা অমদি সুপর পৱার ওইরিবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়রিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা নোংম-নোংমগী মরাই চাইথরক্লি। সুপর পৱার ওইরিবা, দেমোক্রেসি নিংথিনা চৎলি হায়দুনা চাওথোকচরিবা য়ু এস এগুম্বা লৈবাক অমদা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লবা অমদি চাওখৎ খোঙথাংদা মরাই চাইথরক্লুবদি মমিংতগী ওইনা দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাকশিংদি করম্না মাঙদা চঙশিনবা ঙমগদৌরিবা।

খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়না চাওথোকচরিবা ইন্দিয়াদা করম্বা মখলগী ইলেক্সন পাঙথোক্লি, করম্বা মখলগী লৈঙাকলোন চৎলি, করম্বা মখলগী সোসল ৱেলফেয়র থল্লি, করম্বা মখলগী টেক্স খোমগৎলি অমদি করম্বা মখলগী লোশিং থমজিল্লি হায়বনচিংবা ময়াম্না হেন্না খঙবী উবিরে। চেদদি য়াম্না নিংথিনা, ফজনা ইদুনা য়াওরিবনি অদুবু থবক ওইনদি অমত্তা তৌবীদবনা ঙসি ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন্দা পুমচাই চাইদুনা মাঙদা চঙশিনবা ঙমদ্রিবা অসিনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইরমদমগী ইরৈচাশিংনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়দুনা নুংঙাইথোক্লুবদি চুল্লোই খল্লি। দেমোক্রেসিগী চৎন-পথাপশিং অদুদা য়েংলুরগা দেমোক্রেসিগী রাইটশিং অদু ফংগনি খল্লুরগা ফংদবগীনি ঙসি মীয়াম্না খোইশাওনরিবা, পেন্দ্রিবা ইন্দিয়াগী অমদি ইরমদমগী লৈঙাক্তা। ইশম শম্না হায়রবদা, করম্বা আইনবু ইন্দিয়াদা ইন্দুনা চৎলিবগে থবক ওইনা। মমীংতগী ওইনা শেম্বা আইন ঙাক্তা ওইনা তাদুনা লৈরবনি। লাইনীং লাইশোলগী অমদি লোলগী মতাংদা হায়রগসু মীয়াম্না নীংখা তম্না ইঞ্জবা অমদি ঙাঙজবা ঙমশিল্লক্তবগী ৱাফম লৈরক্লি। দেমোক্রেসি চৎলি হায়রিবা ইন্দিয়া অসিদা খ্বাইদগী ফত্তবা চৎনবী হায়রগদি লুচিংবা খন্নবা অমত্তা ঙাইরবা মীখলগী ফত্তবা চৎনবী অসিনি। ইন্দিয়াদা অমদি ইরমদমদা ইলেক্সন চুম্না পাঙথোকপসি য়াম্না তাঙনা থোকই। নেচরেল ওইনা লৈগদবা ইলেক্সন কম্মিস্নরশিং ফাওবা পাল্লি পাল্লিবা পোলিটিকেল পার্টি অদুনা অপাম্বা মীওইশিং ওইনা খল্লি। অসুম্না তৌরগবু মতৌ করম্না অফবা, অচুম্বা লুচিংবশিং খনবা ঙমগদৌরিবনো, ঙল্লোই। মরম অসিননি ইন্দিয়াদা অমদি ইরমদম কংলৈপাকতা অফবা, অশেংবা লুচিংবা খনবা ঙমদ্রিবা। চহী ৭০ হেন্না অসুম্না লাকপনা ইরমদম কংলৈপাক অসি খ্বাইদগী শেন্মীৎলোন্দা শোনবা ষ্টেট অমা হায়বদো ওইরি ঙসিসু। লন-থুম, লম্বী থোং চাওখৎপদসু আ মমৈদা লৈরি।

মতম অমদা দেমোক্রেসি চৎপনা লৈবাক অমা চাওখৎহনগনি, শেন্মীৎলোন ফগৎহনগনি, ঈংনা চিক্লা হিংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবদো ঙসিদি অসুম অসুম মমি শাল্লক্লি। য়েংবীয়ু খ্বাইদগী নীংথিনা দেমোক্রেসি চৎলি হায়রিবা য়ু এস এগী পোলিটিকেল সিনারিও অমদি গভর্ণান্সতা। মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অনীখক লৈবা য়ু এস এদা দেমোক্রেটস অমদি রিপব্লিকান্সকী খেন্নবা অসি অসুক্কী মতিক ৱাংখ্রে মদুদি মীওই চাম্মগী মনুংদা ৮৬না পার্টি অনী অসিগী মনুংদা খেন্নবা য়াম্না চাওনা লৈ হায়না লৌরি। অসিগুম্বা অচৌবা খেন্নবা অসি পার্টি অনীসিগী মরক্তা লৈবনা পাল্লিবা পার্টি অমনা লৈবাক্কী খন্দুনা করিগুম্বা লো অমা পাস তৌনীংবা মতমদা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টি অদুনা অয়েৎপা, অকায়বা অমা হেক্তা পীরক্কনি লো অদু ফগেরা ফরোইরা মখোয়না পৱার অমুক পায়বা ফংননবা হায়দুনা। মসিনা মরম ওইদুনা লো অমত্তা মপূং ফানা পাস তৌবা ঙমদবনা থবক অমত্তা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদে। করিগুম্বা চাওখৎ খোঙথাংগী লো অমা পাস তৌবা তারবসু পার্টি অনীসিগী মরক্তা খেন্নবা, য়েৎনবা লৈনবনা য়াম্না থেংথহল্লি। অসুক ট্রান্সপরেন্ট ওইবা য়ু এস এগুম্বা লৈবাক্তা ফাওবা লো অমা পাস তৌবদা অসুক থেংথহল্লবদি ট্রান্সপরেন্সি শুকলৈ লৈতবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তদি কমদৌবা। অসুম্না পার্টি মশেল য়েৎনরিঙৈদা পাঙথোক্কদবা চাওখৎ খোঙথাং কয়া মতম চানা লৌখৎপা ঙমদে। মসি ঐখোয়গী ইরমদমদনা অমুক্তা হেন্না শাথীখ্রে। ঐখোয়গী ইরমদমদদি য়েৎনবা অসিগী মথক্তা শেল চাবা য়ানবা হোৎনবদা থবক খুদিংমক য়াম্না থেঙনা থেঙনা থবক হৌই। থেঙনা থেঙনা শঙ্গাবা অদুসু লোইশিনবদি অয়াম্বনা ঙমদনা অদুম তোকখিবনা অয়াম্বনি।

নাকল অমরোমদনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংনি হায়না চাওথোকচরিবা লৈবাক কয়ানা হ্যুমেন রাইটস লৈতে, হা অদু তৌদে, লৈতে হায়বীরিবা, চৈবীরিবা, শিথবীরিবা। অদুবু চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বীদদি চাইনানা অসুক্কী মতিক খুমাঙ চাওশিনবনা চহী মরি মঙাগী মনুংদা মালেম পূম্বগী মকোক ওইদুনা সুপর পৱার ওইগনি হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা লেপ্পরি। চাইনানা অসুক থুনা চাওখৎপগী মরম অমা হায়রগদি লৈবাক্কী অফবা পোলিসি অমা, লো অমা পাস তৌবদা সিঙ্গল পার্টি ওইবনা অথিংবা, অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা লোশিং পাস তৌবা ঙম্মী। অয়েৎ অথিং য়াওদনা থুনা পাস তৌরবনিনা থবকসু থুনা লৌখৎলে। মসিনা চহী মঙাদা চাইনাদা অসুক্কী মতিক অহোংবা পুরক্লিবা অসিনি। অদুবু দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদদি চহী মঙা অসি অসুক্কী মতিক শাংবগুম চাওখৎ খোঙথাংসে অসুক্কী মতিক তপ্লি। লো অমা পাস তৌবদা তপ্লিবা অসিগী মথক্তা অমুক্তা হেন্না তপহল্লিবসি করপসননি। শেল চানবা হোৎনরিঙৈদা থবক খুদিংমক মঙম শান্দ্রে। তপ্লিবা অসিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ইহেন হেন্না তপ্লমগনি খল্লি।

হ্যুমেন রাইটস লৈতে, হা অদু লৈতে হায়না মরাল শীরিবা চাইনানা লম্বী থোং, লম-তু, য়ূমলৈ কৈরৈ অমদি লন-থুমদা চাওখৎপতা নত্তনা মীওইবনা চাওখৎচনা হিংজবদসু চাইনানা য়ু এস এগী সিটিজনশিংদগী য়াম্না ৱাংবা হেল্লি। হ্যুমেন রাইটস লৈতে হায়না শন্দোকপীরিবা চাইনিজশিংনা হ্যুমেন রাইটস লৈ হায়রিবা অমেরিকান অমদি ইন্দিয়নশিংদগী য়াম্না নুংঙাইনা লৈবা হেল্লি হায়বসি রিসর্স স্কোলরশিংনা খুদম চাংদম পীরিবনি। য়ু এস এদা বেজ তৌবা এশ সেন্টর কৌবা রিসর্স সেন্টর অমনা চহী ১৩ চঙনা (২০০৩-২০১৬) মীওই লিশীং ৩২ ৱাহং পাউখুম তৌদুনা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমগী মতুংইন্না চাইনাদা লৈবা চাইনিজশিংগী মফমদা ৯৫.৫%না মখোয়গী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা অপেনবা ফোঙদোক্লি অদুগা য়ু এস এদনা শুপ্নগী ৩৮%না মখোয়গী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা অপেনবা থল্লি। ইন্দিয়াদদি য়ু এস এদগী অমুক্তা হেন্না নেম্লমগনি খল্লি (মীদিয়াদা নত্তবীদা)। মসিনা তাকপদি ৱান পার্টি সিষ্টমনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক য়ু এস এদগী য়াম্না হেন্না মীয়াম্না পেন্থোক্না হিংনরি হায়বসিনি। সর্ভে অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে মদুদি মতম কুইনদগী খন্নরক্লিবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক খক্তদা মীয়ামগী অপেনবা, নুংঙাইবা লৈগনি হায়বসি চুমদ্রে হায়বসিনি। মরম অসিনা ইরৈচাশিংনা ইন্দিয়াসি, ইরমদমসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি কায়না খন্দুনা অচৌবা অনীংবা (হোপ) থমদুনা হিংলবদি হেন্না হেন্নদুম নীংবা কায়রক্কনি হায়না থমজগে। ●

# চথরক্লিবা পুন্সি খোঙচৎতা (ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্স)

**- ডা. এম নরা -**

কুমজা ১৯৭৬তগী ঐহাক ইন্দো সোভিয়েট কলচরেল সোসাইটি (আই এস সী য়ু এস) দা য়াওদুনা মসিগী এক্টিভিটি কয়াদা শরুক য়াবা হৌজরকখি। লূপ অসি ইন্দিয়া শিন্থুংনা মসা-মরেং শন্দোক্তুনা লৈবা রুসিয়া অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহনবা অমদি লৈবাক অনীসিগী মীওইশিং মরুপ-মপাং ওইবগী নুংশিনবা অমসুং হীরম কয়াদা মতেং পীনবগী পান্দমদা য়ূম্ফম ওইরগা শেমগৎলকখিবা ওর্গনাইজেসন অমনি। চহী অসিমক্তদা সোভিয়েটকী মীহুৎ ১১না শাবা দেলিগেসন অমা ইন্দিয়াদা লাকখি অমসুং মণিপুর য়ৌরকখি। দেলিগেসন অদুগী লুচিংলকখিবা মীশক অদু মালেম পূম্নমক্লা মমিং তানরবা কোসমোনোত ক্লিমুকনি। নুমিৎ ৭১নি স্পেসতা লৈরুবা সাইন্টিষ্ট অসিনা অখন্নবা কলচরেল গ্রুপ অমগা লোয়ননা মণিপুরদা লাকখিবা অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্না কয়াদা হরাওনা মখোয়বু ওকখিবা নীংশিংদুনতা লৈরি ঙসিসু। মহাক্কী স্পেসতা চৎলুবগী ৱারী দি এম কোলেজগী মহৈরোয়শিংদা তাহনখি অদুগা জে এন এম দান্স একাদেমিগী হোলদা রুসিয়াগী আর্টিষ্টশিংনা ফজরবা অমসুং অঙকপনা থল্লবা কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎখি। ভাবক্লা নুংঙাইনা অমসুং পেন্না য়েংনখিবা জগোয় অমসুং সর্কসকী আইটেমশিংনি।

মথংদা ঐহাক ইন্দো-জর্মনি ফ্রেন্দসিপ এসোসিএসনগী নেসনল কনফরেন্স য়াওবা ফংখি। মদু কটক্কী বার্বতি ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ হুমনি চূপ্না চথখিবা খন্ন-নৈনবা অমসুং কলচরেল ফেষ্টিবেল অমনি। মসিদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদগী লাকপা দেলিগেটশিং, আর্টিষ্টশিং লোয়ননা জর্মন দেমোক্রেটিক রিপব্লিক্কী দেলিগেটশিং, ওলিম্পিক্কী মেদলিষ্টশিং অমদি অখন্নবা পর্ফোর্মরশিংনা শরুক য়াখিবা কাউঙমদ্রবা ইভেন্ট অমনি। মসিগী মতুংদা ঐহাক্লা য়াওজখিবা অচৌবা মীফমদি চ্যেকোশ্লোভাকিয়াগী কোনুং প্রাকতা ফমখিবা "ৱর্ল্ড এসেমব্লি ফোর পীছ এন্দ লাইফ এগেষ্ট ন্যুক্লিয়র ৱার"। মীফমসি কুমজা ১৯৮৩গী জুন ২১দগী ২৭ ফাওবা ফমখিবা মালেমগী লৈবাক ১৫০ রোম্না শরুক য়াদুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা অমদি শান্তি ঙাক্লুবা ৱর্ল্ড পীছ কাউন্সিলনা শিনবা য়াম্না মায় পাকখিবা দেলিগেট লিশীং মঙারোম তিনখিবা কনফরেন্স অমনি। ভারতবর্ষগী ওইনা পূন্না মেম্বর ২০৫গী দেলিগেসন অমনি। মসিদা ঐখোয় মণিপুরদগী মীওই ৬ য়াওখি। ওক্রম জয়, থোকচোম অচৌবা, এম জুগেশ্বর, এন শামু, এম সুরপীনি অমসুং ঐ ইশামক (ডা. নরা) নি।

মতম অদু কোল্ড ৱারগী মতমনি, ন্যুক্লিয়রগী শাথীরবা মী য়াম্না হাৎপা ঙল্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিং মরাং কায়না পৈশিন্দুনা থম্নরবা, করিগুম্বা ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায়শিং শীজিন্নবা লান ওইখ্রবদি মালেম অসি তুমখিনি হায়বগী অকিবা লৈবনা মীফম অসি তঙাইফদনা ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিলনা পাক চাউনা শিনখিবনি। মীফম অসিগী খোঙচৎতনি লিদিসি খুঙ্গং য়েংলুবা অমসুং লিদিসিগী গুলাপ শৈরেং ওইনা ইজখিবা। প্রাকক্কী মীফম লোইরগা ঐখোয় ইন্দিয়াগী দেলিগেটশিং সোভিয়েট য়ুনিয়নগী সহর মঙাদা চৎতুনা য়েংবগী খুদোংচাবা ফ্রেন্দসিপ টুর অমা শিনবীখি। সহরশিং অদুদি কিভ, লেনিনগ্রেদ, মোস্কো, টাসকেন্ট অমসুং সমরখন্দনি। মফম খুদিংদা ঐখোয়বু ওকপীদুনা মরুপ মপাং ওইবগী নুংশি চান্নবা উৎতুনা চামিন থকমিন্নবা অমসুং তোঙান তোঙানবা নাৎকী চৎনবী অমদি কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎতুনা মীওইবা খুন্নাইগী মরী চেৎশিনহল্লি। লোল, ধর্ম্ম, জাৎ, কুচু খেন্নবা কয়া লৈরবসু ঐখোয় পূন্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নগদবনি অমসুং মালেম অসিবু কনগদবনি হায়বসি ঐখোয়গী ৱাশক ওইখি।

অসুম্না নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শিনবা থৌরম কয়া য়াওরুবদগী ঐখোয়গী মণিপুরদসু ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্সকুম্বা থৌরম খরা শিন্নীংবগী ৱাখল পোল্লকখি। করম্না অমদি কমদৌনা শিনগদগে হায়বসিদি ৱাখলদা অরুবা অমা অদুমক ওইদুনা লাকখি। শান্তি অমসুং কলচরগী থৌরম মণিপুরদা অমুক্তং খরা চাউনা শিনগে হায়বগী ৱাখল অসিনা ৱারী শাবা হৌখি অমসুং মরু ওইবা আইদিয়া পীবীবা ঙম্বা মীশকশিংগা খন্নবা হৌই। ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট রামেশচন্দ্র ইন্দিয়া মচানি অদুগা মহাক্কী লোয়নবী পেরিন ওল ইন্দিয়া পিছ এন্দ সোলিদরিটি ওর্গনাইজেসন (এ আই পি এস ও) গী জেনরেল সেক্রেটরিনি। মখোয়না ঐবু মুন্না খঙবী অমসুং এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা পূক্লিং থৌগৎপীখি। রামেশচন্দ্র অসি ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিলগী মায়কৈদগী য়ুনাইটেদ নেসন্সতা পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভসু ওই। মরম অদুনা ঐহাক মখোয়গা ৱারী শানবদা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবা ৱাখল লৈবা অমসুং লমজিংবীবা ঙম্বা মীশকশিংনি।

কুমজা ১৯৮৭তগী ১৯৯৭ ফাওবা চহী ১০ অসি য়ু এননা 'কলচর ফোর পিছ' কী দিকেদনি হায়দুনা লাউথোকখি। মতম অসিদা ঐহাক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা লৈজরে। ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিলগী ষ্টেন্দিং কম্মিটি মীফম অনীরক সোফিয়া অমসুং ধাকাদা য়াওবসু ফংজরে। ঐহাক্লা লিদরশিং অমসুং মরুপ মপাং কয়াদা ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিল য়াওনা মণিপুরদা ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্স এন্দ ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোক্লিংই হায়না হৌদোকচরুবদা ময়াম্না হরাওনা য়াবীরকখি অমদি পূক্লিং থৌগৎপীরকখি। ৱাখল অসি লাকখিবগা লোয়ননা করম্না ওইথোকহনগনি অমসুং করম্বা মতমদা তৌসিগে হায়বসি খন্নবদা মতম খরা অদুমক চঙখি। মরমদি অরাইবা থবক অমদি নৎখিদে। কুমজা ১৯৯০ য়ৌশিল্লক্লে, ঐহাক অনীরকশুবা ওইনা ইলেক্সনদা মায় পাক্লকপা মতমনি অদুগা লাইবক ফদুনা লৈঙাক শেম্বদা য়াওরে অমসুং এনিমেল হজবেন্দ্রি অমসুং সাইন্স টেক্নোলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী মিনিষ্টর ওইরে। তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়গী মঙলান মণিপুরদা ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্স তৌনবা থৌরাং মঙফাওনহল্লসি খন্নরে। অখণ্ড অহৈ, ওজা গুরুশিং অমসুং থৱায় য়াওবা মীওই কয়া পুনশিন্নদুনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্স অমা শোয়দনা তৌনবা কম্মিটি শেম্লে অমসুং মসিগী চ্যেরমেন অদু ঐহাকপু ওইনা ময়াম্না খনবীরে। থৌরম অসিগী কয়াৎ শেম্বা হৌরে, 'ইন্টরনেসনল কলচরেল কনফরেন্স এন্দ ফেষ্টিবেল' (আই সী সী এ এফ, মণিপুর-২০০১) হায়না মমিং থোল্লে। হীরম কয়াদা মরু ওইনা শান্তি ঙাকপা, মীওবগী খুন্নাই চাও-খৎহন্নবগী নৈনবা, জগোয় ঈশৈ, লীলা, ফিল্ম অমদি ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ওর্গনাইজ তৌবা পূম্নমকসি য়ানদুনা ঐখোয় য়াম্না হৈনীংনা ভোলন্টিয়র ওইনা চোঙথোক্লুরকখি। মসিদা য়াওবীখিবা মীওইশিং তোঙান্না অমমমতা ওইনা পঞ্জদনা শুপ্না মণিপুর মীয়াম পূম্নমক্লা শরুক য়াবীদুনা পুৱারীগী লমায়দা সনাগী ময়েক্লা য়েক্তুনা থল্লবা ইভেন্ট অমা হায়বদু ওইখি। 'আই সী সী এ এফ, মণিপুর ২০০১' মপান কাংজৈবুং, জে এন এম দান্স একাদেমি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেন্টিনরি হোল, ৱাংজিং কোদোমপোকপী গ্রাউন্দ, মোইরাং আই এন এ হোল, লৌকোইপাৎ, বিষ্ণুপুর অমসুং শিংজমৈ ককচীংতাবম মান্দবনি। নুমিৎ তরেৎনি চূপ্না নবেম্বর ২৬তগী দিসেম্বর ২, ১৯৯১ ফাওবা চথখিবা থৌরমদুদা মালেমগী লৈবাক ২৬কী মীহুৎ লাকপীখি। লোয়ননা কন্টিনেন্ট মঙাদগী হায়বদি য়ুরোপ, এসিয়া, আফ্রিকা, অমেরিকা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী পোলো শান্নরোয়শিং শরুক য়াবীখি। কলচরেল গ্রুপ্তা জপান, মোঙ্গোলিয়া, স্বিদেন লোয়ননা অখন্নবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট কয়া ফেষ্টিবেল অদুদা শরুক য়াবীখি। অহৌবা নুমিৎকী মণিপুর মীয়াম্না মায়কৈ মরিদগী খোঙশাল্লকখিবা শান্তিগী রেল্লিনা মপান কাংজৈবুং য়ৌরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া, পাকিষ্টানগী মীহুৎ অনী অমসুং রুসিয়া, অমেরিকা অনীগী মীহুৎ শ্বা লান্নহনবা পূক্লিংদা থুক লাওবা পোকখিবা মিকুপ অমনি। ভাবক্কা হেক্তা মায়োক্লবা চাওরবা দিসপ্লে বোর্দ অমদা "We gave the world the game of Polo" (ঐখোয়না মালেম অসিদা খুদোল তৌজখিবা পোলোগী মশান্না) ময়েক লানা ইদুনা ফেষ্টিবেল অসি লোইবা ফাওবা থেৎখি।

পোলো টুর্নামেন্ট অদুগী মরীক চুম্বা রিপোর্টশিং দি ন্যু য়োর্ক টাইমস অমসুং লন্দন টাইমসতসু ফোঙখি। ফাইনেল শান্নবদু জর্মনিগা মণিপুরগা তাখি, ৩-২দা মণিপুরনা চি লাওনা থোইহৌদুনা লৈবাক্কী ঈজৎ কলহৌবা ঙমখি। মপান লৈবাক্কী পাউচেশিংদসু মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা ইম্ফাল পোলোগ্রাউন্দদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মণিপুর টিমনা জর্মনিগী টিম্বু ৩-২দা মায়থীবা পীখি হায়দুনা ফোঙনখিবগী রিপোর্টশিং তাবদা পেন্নীংঙাই ওইখি।

কম্মেন্ট খরদং থৌরমসিগা মরী লৈননা পীবিরমই :

- শ্রী রামেশচন্দ্র প্রসিদেন্ট ওফ ৱর্ল্ড পিছ কাউন্সিল - "Though politics divide people culture will unite" (রাজনিতিনা কায়হল্লবসু কলচরনা ঐখোয়বু পুনশিনহনগনি)

- চার্জ দি এফ্যেরস ওফ দি রিপব্লিক ওফ কোরিয়া - "I feel at home away from home" (ঐহাক য়াম্নদি তাল্লে য়ূমদগী অদুবু ইয়ুমগুম্না নুংঙাই)

- মালেম শিন্থুংনা মমিং লৈরবী কথক্কী দান্সর মচিন মনাও - নল্লিনি অমসুং কমল্লিনিনা হায় - "A Wonderful Event" অঙকপা থৌদোক্লি)। ●


## OFFICE OF THE PRINCIPAL REGIONAL COLLEGE, LILONG (I/W) MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

**24th November, 2021**

**No.:RC:2/7/Ele GB/2021 :** It is hereby notified that 2 (two) local Educationalist shall be nominated and 2 (two) representatives of the parents/local guardians of the students studying in the college shall be elected for GB, Regional College.

So willing candidates may submit their candidature on or before 1st Dec., 2021 along with Bio-Data, Passport photo, PAN Card and Aadhaar.

Sd/- **S. Tilakchand Singh**
R.O., GB Election,
Regional College

HL-P/0736/25

## ꯃꯤꯐꯝ / RAFDO গী GENERAL BODY MEETING

লাক্লিবা তাং 28th November 2021 ইং, Sunday গী নুংথিল পুং 1.30 p.m. তাবা মতমদা মোইরাং বজারগী মমাংদা লৈবা ইবুধৌ লৈকোইপুংগী কম্যুনিটি হোলদা RAFDO গী Account Holder শিংগী পৈশা পীথোকপগী মতাংদা খন্ননবা General Body Meeting অমা পাঙথোকচরগনি।

মসিদা লাকহৌদবশিংগী ৱাকৎ মতুংদা অমত্তা লৌজরোই।

Sd/- **Kh. Gandhi Singh**
President
The G.B. Committee's of the
Seven Salai English School

HL-P/0737/25, 26

## OFFICE OF THE NINGTHOUKHONG MUNICIPAL COUNCIL

ꯈꯪꯍꯟꯕ/**খঙহঞ্জবা**

Ningthoukhong Municipal Council গী Women Vendor Licence পায়বীখিবা Licence Holder শিংনা Ningthoukhong Muncipal Bye Laws 2002 গী মতুং ইন্না হৌজিকফাওবা Renewal তৌদ্রিবা Licence Holder শিংনা লাক্লিবা তাং 03-12-2021 ফাওবগী মনুংদা Renewal তৌথোকউ।

করিগুম্বা তাং 03-12-2021 ফাওবদা Licence Renewal তৌদ্রবদি Bye Laws 2002 গী মতুং ইন্না Licence Cancelled তৌরগনি। মখা তাবা ৱাকৎ Ningthoukhong Municipal Council না লৌররোই হায়না Licence Holder শিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি।

Dated 23-11-2021

Sd/- **L. Seigoulun Haokip**
Executive Officer,
Ningthoukhong Municipal Council

HL-P/0738/25

## ꯈꯪꯍꯟꯕ/ꯈꯪꯍꯟꯕ
## খঙহঞ্জবা / ৱাকৎচবা

ঙসি তাং 24/11/2021 L.D.A. (Re) MR E& W Asst না মরী লৈনবা Department শিংদা হায়জরি মদুদি মতম শাংনা ৱাদুনা লাক্লবা ঐখোয়বু লৌশিন্দনা অতোপ্পা Fresh তগী মী লৌশিন্নবা তৌরিবা অসি তৌবীগনু মখোয়সু ঐখোয়গুম্না ৱাহনবা পামজদে। মরমদি Gauhati High Court of Manipur না কয়ারক হন্না ঐখোয়গী হান্না খন্নগদবনি হায়রবসু তাশিন্নদবসি তৌবীগনু। থা খরগী মমাংদা মীওই খরা Contract basis তা হাপ্পদুসু তাং 22/11/2021 দা High Court না Suspend তৌখ্রবনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা Department না য়ারিবমখৈ অথুবদা ঐখোয়গী ৱাফম অসি হান্না লোইশিনবীনবা হায়জরি। ৱাফম অসিদা মণিপুরগী CM গী পূক্লিংসু চিংশিঞ্জরি লোয়ননা য়েংশিনবীনবসু হায়জরি।

হায়জরিবা : **T. Rabi Singh**
General Secretary,
L.D.A. (Re) M/R E/W Asst.
Ningthoukhong

HL-P/0740/25

**ꯃꯥꯡꯈꯤ/নাহী য়াম্না তোয়না-তোয়না তাবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নাতোন মখুন অনীমক ফুঞ্জিনবা, নপ মহী তাবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদা ওইনা হোনবা, লোক তোয়না থুংবা, লোক কংখূ খূবা, কোক তোয়না চিকপা, ঈংবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নাহী য়াম্না তোয়না-তোয়না নাবা, নাহী তাখিবগা কোক ঙাওবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নাতোন মখুন অনীমক ফুঞ্জিল্লকপা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদা ওইনা হোনবা, য়ারোমদা শ্বর হোনমন্দনা য়ামাং অসি ফাওদোরকপা, লোক তোয়না থুংবা, লোক কংখু তোয়না-তোয়না খূবা হৌরকপা, খনাউদা লোক লৈবগুম তৌরগা লৈবা, মরক-মরক্তা খনাউ মনুংদগী লোক অনংবসু থোক্লক্লগা শীৎতোকখিবা, কোক তোয়না চিকপা, মীৎসু চিকপা, ঙকশম মরীসু নাবা, লাইহৌ তোয়না-তোয়না হৌবা, কোকসু লুম-লুম লাউরগা লৈবা, হৈ অমদি অঙ্গৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা, চারগনা অনাবা অদু হেঞ্জিনবা, হকচাং ঈংবা য়াদবা, উফুলদা চৎপা য়াদবা, মতম খরগী মতুংদা খনাউ মনুংগী নাকল অনী অসি পোমথোরক্লগা খনাউ মনুং অসিসু য়াম্না নারকপা, তিন য়োৎপদসু নারকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Y. Jiten Singh**
Sagolband Tera

HL-B/7295/25

## ꯃꯥꯡꯈꯤ / BANK PASSBOOK & ATM CARD LOST

I have lost my Bank Passbook and ATM Card of SBI, BSF Campus, Kangsang Branch bearing A/C No. 30519504235 on the way between Khongjom Papal and Pallel Kangsang on 20/11/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **W. Koireng Singh**
Papal Maning Leikai,
# 8837404844

HL-P/0732/25

## ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / শেংদোকচবা

হৌখিবা তাং ২১/১১/২০২১ ইং, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুমিদাং পুং ১২ মুক তাবা মতমদা ময়াং ইম্ফাল হংগুন ২৩/৩০ ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রদা লৈবা শ্রী মৈকাম শঞ্জয়গী য়ুমগী শুমাঙদা য়ুংবা বি জে পিগী ফিরাল ফুক্তোকপা অমদি ফিরাল হুরান্দুনা পুরুবা ঐ শ্রী ৱাহেংবম অঙাংমচা সিংহ, অপোকপা ৱাহেংবম নোবিন সিংহ, লৈফম হংগুন ময়াই লৈকায়দা লৈবা ঐহাক্লা পাউচেগী থোঙদা শেংদোকচরি মদুদি নুমীৎ অদুদা ঐ ইশানা খন্থহৌদবা অমদি ইমুং অদুগী মী লৈতবগী তাঞ্জা লৌদুনা তৌরুবা থবক হায়বদি ফিরাল লৌথরুবা অমদি ফিরাল অদুবু হুরান্দুনা পুরুবা ঐ ইশা তশেংনা লাঞ্জরে। মতুংদা অসিগুল্লবা মথোং চাদবা থবক হায়বদি লৈবাক মচা তাদবা থবক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌজররোই হায়না মণিপুরগী মীয়ামদা অমদি বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী মফমদা শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবা :
**W. Angangmacha Singh**

HL-P/0746/25

## GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE PRINCIPAL STANDARD COLLEGE KONGBA, IMPHAL-EAST

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **EXAMINATION NOTICE**

**Imphal, the 24th Nov., 2021**

**No.SC/15-U/Exam-16 :** It is hereby notified for general information to all the concerned students that the last date for submission of duly fill up Examination forms and fees **B.A / B.Sc 1st, 3rd & 5th Semesters Examinations 2021 (Nov)** are fixed as follows:-

**B.A. / B.Sc 1st, 3rd & 5th Semester -**
8th December, 2021 - Without fine
15th December, 2021 - With fine

**Details can be had from College office during working hour.**

Sd/- **Dr. L. Basanti Devi**
Principal
Standard College, Kongba

HL-P/0745/25

## ꯌꯨꯝ ꯂꯩꯔꯤ / য়ূমগা কোন্ননা ইংখোল অমা য়োঞ্জরি

সঙাই এক্সপ্রেসকা থংনবা খোংবাল ৱাংমদা 48 ft পাকপা অমদি 78 ft শাংবা লম অসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

**Note : NO BROKER.**

HL-P/0733/25,27,29 **# 9774762438**

ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯎ

## URGENT JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|---|
| **1.** | **Direct Selection & Joint for Airport Job Vacancy of Delhi, Bangalore, Hyderabad & Imphal (Semi Govt. Job)** | | | | |
| | i. C.S.A. Officer (M/F) | | 40,000 – Above | 5 | G/M |
| | ii. Trainee Executive(M) | | 20,000 – Above | 2 | G/M |
| | iii. Ground C.S.A. Staff(M) | | 20,000 – 30,000 | 20 | XII/G |
| | iv. Meet Asst. Staff/Ground Staff(M/F) | | 15,000 – Above | 15 | XII/G |
| | v. G-Loader/Cargo Loader(M) | | 20,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | vi. Air Hostess/Cabin Crew(F) | | 65,000 – Above | 5 | XII/G |
| **2.** | **Banking Staff Recruitment of Nationalized Bank.** | | | | |
| | i. Banking Sitting Staff (M/F) | 25 yrs | 18,000– Above | 15 | G |
| | ii. Account opening Staff (M/F) | 26 yrs | 14,000– Above | 15 | G |
| | iii. Loan Officer Staff (M/F) | 30 yrs | 14,000– Above | 20 | G |
| | v. Credit Card Staff (M/F) | 28 yrs | 8,000– Above | 5 | XII/G |
| | vi. Phone Banking Staff (F) | 28 yrs | 10,000– Above | 5 | XII/G |
| **3.** | **Urgent in Imphal Post Vacancy.** | | | | |
| | i. Office Receptionist(F) | | 4,500 – Above | 3 | XII/G |
| | ii. Security Guard/Ladies Guard(M/F) | | 6,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/ Security Sup(M) | | 8,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | iv. Security Gunman Guard(M) | | 10,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | v. Micro Finance R.O.(M) | | 5,000 – Above | 20 | X/XII |
| **4.** | **No deposit work at Imphal** | | | | |
| | i. Office Managerial Staff(M/F) | | 8,000 – Above | 50 | X/XII |
| | ii. Computer Instructor | | 7,000 – Above | 2 | MCA |
| | iii. Bank Manager(Wabagai/Kakching) | | 10,000 – Above | 2 | G/M |
| | iv. Computer Operator (Degsn. Flex) | | 7,000 – Above | 3 | XII/G |
| | v. Chowkidar and Helper(Couple) | | 10,000 – Above | 2 | VIII/X |
| | vi. Handyman /Helper (M/F) | | 5,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | vii. Micro Finance R.O (M/F) | | 5,000 – with inse | 3 | X/XII |
| | viii. Local Driver (407 TATA/D.I.) | | 10,000 – Above | 2 | VIII/X |
| | ix. Farm Assistant(M/F) (20 – 50 yrs) | | 5,000 – Above | 2 | VIII/X |
| | x. VIP Driver | | 7,000 – Above | 3 | X/XII |
| | xi. Housekeeping/Showroom Car Wash | | 6,000 – Above | 5 | VIII/X |

**Date of Submission : 02-12-2021**
**Date of Interview : 03-12-2021**
**Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993**
**Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.**

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
**Keishampat Opp. CCpur Bus Parking**
**Near Poknapham Press Gate**

HL-P/0632/15,18,23,25,30